# ইন্দিয়াবু শেঙ্গা থুমজা, টেররিজম অমদি লায়রবা লৈতবা লৈবাক ওইহল্লসি : প্রাইম মিনিষ্টর



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :
মীপুম খূদিংমক্কা নুপীবু ঙাকপী শেনবীবগা লোয়ননা লৈবাক অসি লায়রবা, শেঙ্গা থুমজা, টেররিজম অমসুং কাঙলূপ নাইবা থৌওংদগী নীংতম্বা ফংহন্নবা হোৎনরসি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী ৭৫ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা লোক সভাদা মহাক্না হায়খি, ফ্রীদম ফাইটরশিংনা থম্লম্বা পান্দম পূম্নমক কুমজা ২০১৭তগী হৌরগা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা ফংনবা হোৎনরগনি।

জি এস টিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, জি এস টিগী মতাংদা ৰারেপ লৌবা ঙম্লবনিনা অতৈ অতোপ্পা থৌরাং কয়াসু মায় পাক্না পায়খৎপা ঙম্লগনি। লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা জি এস টি চৎনহনবা ঙমখিবসি লৈঙাক্না হোৎনবদগী নত্তে। মীচম মীয়াম্না মপুং ফানা মতেং পাংলকপদগীনি।

লৈতা লায়রবা, মহৈ-মশিন মপুং ফানা তম্বা ঙমদবা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ফংদবা হায়বসিনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা শীংনবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, শেঙ্গা থুমজানা মরম ওইরগা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংদা চাউনা খুরৌ থাংলে। মতম অমদা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিং, মরুওইনা মহাত্মা গান্ধীনা লৌখৎলম্বা থৌরাংশিংগী খুদুং ইন্দুনা ইন্দিয়া খক্তদা নত্তনা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা কোলোনিয়েলিজম মুখৎপা মথৌ তাই।

ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌদা শাংলবা চহী কয়া তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া নীং তমহন্নবা হোৎনবদা অনৌবা লূচিংবা কয়া থোরকখি। ঙসিগী মীরোলনা মতম অমগী ক্বিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী পুৰারী নৌহৌনা নীংশিংবা মথৌ তাই।

কুমজা ১৯৪২দগী কুমজা ১৯৪৭ ফাওবদা ইন্দিয়ানা হীরম কয়াদা চাউনা অহোংবা পুরকখিবগুম কুমজা ২০১৭তগী হৌরগা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা টেবলদা ফ্লাইল কোন্দুনা লৈবগী মহুত্তা ফিল্ডদা চত্তুনা লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম ময়েক শেংনা খঙদোক্ল বা হোৎনগদবনি হায়না মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ভীদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরশিংগা ৰারী শানখিবদা মহাক্না হায়খি, কলেক্টরশিংনা খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা ওইরিবা হকশেলগা মরী লৈনবা ফীভমশিং ময়েক শেংনা খঙবা মথৌ তাই।

'ন্যু ইন্দিয়া-মন্থন' হায়বা ৰাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা ৰারী শানবগী থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কলেক্টর অমনা ফিল্ডদা অদুক্কী মতিক চৎলিবমখৈ দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা ওইরিবা ফীভম ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। কলেক্টরশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংদবা মফমদা এল ঈ দি বল্ব অমদি ভীম এপ্লিকেসন্নচিংবা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

জি এস টিগী মতাংদা মোদিনা হায়খি, কলেক্টর খূদিংমক্না মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্ট মনুংদা লৈরিবা লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইশিংদা জি এস টিগী কান্নবা মপুং ফানা খঙহনগদবনি। লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংসু জি এস টিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌহনগদবনি।

# রাজ্য সভাগী মীখলদা অহমদ পতেল, অমিত শাহ, স্মৃতি ইরানি মায় পাকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :
গুজরাটতা পাঙথোকখিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা কোংগ্রেসকী মীরেপ অহমদ পতেল মায় পাকপা ঙমখ্রে। ষ্টেট অসিদা মায় পাকখিবা অতোপ্পা মীরেপশিংদি বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহ অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনি।

গুজরাট এসেমল্লিদা বি জে পিনা মেজোরিটি ওইরিবা মরম্না শাহ অমসুং ইরানিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না হান্নদগী হৌনা থাজনদুনা লাকখিবনি। অদুবু মশাগী চহী ৬৮ শুরবা অহমদ পতেলগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমখিদে। পতেলনা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীখলদ ভোট ৪৪ ফংখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসতগী তোকখ্রগা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা চোংথোরকখিবা বলৱান্ত সিনহা রাজপুতপু মায়থিবা পীখি।

মীখলগী ফল লাউথোক্লবা মতুংদা পতেলদা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, অচুম্বনা মায় পাকই হায়বদু মতম পূম্নমক্তা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফমনি। এম এল এ মশীং য়াম্বা বি জে পিনা মণি পাৱর অমসুং মসল পাৱর শীজিন্নরবসু মায় পাকপা ঙমখিদে। হন্দক্কী মীখল অসি কোংগ্রেসখক্কী মায় পাকপা নত্তে। অচুম্বনা অরানববু মায়থিবা পীবনি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা খ্বাইদগী লুবা অমসুং অৱাবা মীখল ওইখি হায়না পল্লদুনা পতেলনা হায়খি, পার্টিগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা হোৎনবগী মহয়না বি জে পিনা এম এল এ মশীং হেন্না লৈবা গুজরাটতা মায় পাকপা ঙম্বনি। মতুং তারকপদা পাঙথোক্কদবা মীখলশিংদসু পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী লীচিং মখাদা কোংগ্রেসকী ফীভম ফগৎলক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

গুজরাটতা ঙরাং পাঙথোকখিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা তোঙান তোঙানবা এম এল এশিংনা অতোপ্পা পার্টিগী মীরেপ্তা ভোট পীবগী থৌওং চথখি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গুজরাট এসেমল্লিদা মীখল পাঙথোকপা লোইরবা মতুংদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা ৱাহৈগী লান শোক্লেদুনা অমনা অমবু হুন্দুনা ৱা ঙাঙনখি। কোংগ্রেসকী এম এল এ অনীনা বি জে পিদা ভোট পীখিবগী মতাংদা পার্টি অসিগী লূচিংবশিংনা ইলেক্সন কম্মি-সনদা ৱাকৎখি। ইলেক্সন কম্মিসন্না কোংগ্রেস এম এল এ অনীগী ভোট ইনভেলিদ ওইরে হায়না লাউথোকখি।

# নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা সুরহোজেলি লিজিতসু এম এল এ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



দিমাপুর, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :
নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. সুরহোজেলি লিজিতসুবু ষ্টেট এসেমল্লিগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। ডা. লিজিতসু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নোদর্ন অঙ্গামি এসেমল্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী বাই-ইলেক্সন্দা মায় পাকখিবনি।

নাগালেন্দ এসেমল্লিদা স্পিকর ইমতিৱাপাং আইয়রনা লিজিতসুবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। থৌরম অদুদা অতৈ এম এল এশিং অমদি পার্টিগী সিনিয়র ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী হ্বিপ টি আর জেলিয়াংনা পার্টিগী এম এল এ ১০ দিসক্বালিফাই তৌনবা স্পিকরদা পিটিসন ফাইল তৌখ্রবা মতুংদা লিজিতসুবু অনৌবা মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, নোদর্ন অঙ্গামি এসেমল্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সনদা এন পি এফকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সুরহোজেলি লিজিতসুনা মহাক্কী লম্বা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ কেখ্রি জোমিদগী ভোট ৩,৪৭০ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি।

সুরহোজেলিনা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমল্লিগী মীখলদা মায় পাকপা হন্দক্না ৯লক শুবনি। মমাঙদা মহাক্না কুমজা ১৯৬৯, ১৯৭৪, ১৯৭৭, ১৯৮২, ১৯৮৭, ১৯৯৩, ২০০৩, ২০০৮ দসু মায় পাকখি। কুমজা ১৯৮৯দা পাঙথোকখিবা মীখলদদি মহাক অহানবা ওইনা মায়থিবা ফংখি। জুলাই ২৯দা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সন্দা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি এন পি এফকী প্রসিদেন্ট ডা. সুরহোজেলি লিজিতসুগী মায়োক্তা অহানবা ওইনা থোরকখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ কেখ্রি জোমিনা মীরেপ ওইনা চোংথোরকখি।

মশাগী চহী ৪১ শুরবা কেখ্রি জোমি হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিস অমসুং একাদেমিসিয়ননি। কেখ্রি অমদি লিজিতসু কোহিমা খুঙ্গংদা পুন্না লৈমিন্নবনি। মে ২৪দা সিটিং এম এল এ খিখ্রিহু লিজিতসুনা ফম থাদোকখিবদগী এসেমল্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদা লিজিতসু অমসুং কেখ্রিনা বাই-ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইনা চোংথোরকখি।

# পুলৱামাদা মিলিটেন্ট ৩ হাৎখ্রে

শ্রীনরগর, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট অহুম শিখ্রে।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, থৌদোক থোকফমদগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অহুম ফংলে। থৌদোক থোকফমগী অকোয়বদা থিবা হুম্বগী থবক চথদুনা অতৈ অতোপ্পা মিলিটেন্টশিংগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরি।

পুলৱামাগী ট্রাল এরিয়া মনুং চন্না লৈবা গুলাপ বাগতা মিলিটেন্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবনি।

সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মফম অদুদা চঙশিল্লুবদা হান্না লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, মসিল সেক্টরদা হন্দক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মখুত্তা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিংদগী পাকিস্তান অমসুং চাইনানা শাবা হীদাক-লাংথক অমদি খুৎলাই কয়ামরুম ফংবা ঙমখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবদা ব্রিগেদ কম্মান্দর আর কে সুরেশনা হায়খি, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা টেররিষ্ট মঙা ঙমখৈ লানশিন্দুনা ইন্দিয়ারোমদা চঙশিল্লকখি। আর্মিনা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা টেররিষ্টশিং অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলবা মতুংদা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা চাইনা অমসুং পাকিস্তাননা শাবা পোৎলম কয়ামরুম ফংবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ওগষ্ট ০৫দা অৱাং থংবা কাশ্মীরগী সোপোর টাউনদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লাস্কর-ঈ-টোইবা (এল ঈ টি)গী মিলিটেন্ট অহুম হাৎখ্রবা মতুংদা মফম অদুদা টেন্সন ৱাংখৎলকপা লৈখ্রে।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিং অদু সোপোরগী দেনিশ অহমদ দর, বন্দিপোরাগী অবিদ হমিদ নির অমসুং বরামুলা টাউনগী জবিদ অহমদ দরনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। ষ্টেট পুলিস, আর্মি অমসুং সী আর পি এফকী অপুনবা টিম অমগা নোংমৈ কাপ্নখিবগী থৌদোক অদুদা মীচম অহুমসু অশোক-অপন নংখি হায়রি।


থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মফম অদুগী মীওই কয়ামরুম শরুক য়াখি। ওথোরিটিশিংনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা বরামুলাদা অথিংবা থমখ্রবসু লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিং অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা য়াহনখি হায়রি।

হৌখিবা জুলাই ৯দসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী য়ুরি সেক্টরদা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা টেররিষ্ট অনী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা লৈখ্রে। কাশ্মীরদা ঙমখৈ ৱাংমদগী চঙলকপা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা টেররিষ্ট তরেৎ আর্মিনা হাৎখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

পাকিস্তানি আর্মিনা কাশ্মীরদা খুৎলাই পায়বা মীওই কয়া থাজিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং কয়াসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অরেম্বা তাহনখি। নাওগাম সেক্টরদা টেররিষ্ট অহুম অমসুং মসিল সেক্টরদনা টেররিষ্ট মরি হাৎপা ঙমখি।

নাওগাম সেক্টরদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা আর্মি জৱান অমসু শিখি। য়ুরি অমদি গুরেশ সেক্টরদা খুৎলাই পায়বা মীওই কয়া ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদা আর্মিনা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না ইন্দিয়ন আর্মিনা এজেন্সীদা থোকপা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# দোক্লামদা মুক্লরিবসি থোইদোক্না খুদোংথিনিংঙাই ওইদে : দলাই লামা



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়া অমদি চাইনানা ঙমখৈদা মুক্লরিবৈগী চৈরক্তা টিবেটান স্পিরিচুয়েল লীদর দলাই লামানা হায়খ্রে মদুদি, হৌজিক হৌজিক দোক্লামদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনী মুক্লরিবসি থোইদোক্না খুদোং-থিনিংঙাই ওইদে।

দিল্লিদা পাউমীশিংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা দলাই লামানা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা ঙমখৈগী ৱাংমা ৱাংমদা ঈং-তপ্পা লৈনবা পান্থে পুথোক্কদবনি। মমাঙদসু য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীনা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা মুক্লবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকপা লৈখ্রে। অদুবু ঈং-চীক্না ৱারী শানবদগী য়ানবা পুরক্তুনা খোঙফম হঞ্জিন্নখি।

দোক্লামদা হন্দক থোরক্লিবা ৱাথোক অসিসু অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়না পল্লদুনা ১৪শুবা দলাই লামানা হায়খি, ইন্দিয়া অমদি চাইনানা এসিয়াদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক ওইরিবা মরম্না অথুবা মতমদা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ইন্দিয়াদা মীপুম খূদিংমক মশাগী অপান্বা ফোঙদোকচনবগী খুদোংচাবা ফংহনবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীয়ামদা নীংতম্না ৱা ঙাঙনবগী অয়াবা পীরিবা লৈবাক খূদিংমক চাউখৎপগী লমজেলদা শরুক য়াবা ঙমগনি।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
BAMS Ayurvedic Few SEATS
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com
HL-B/4054/4to3 Sept.

GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT

### NOTIFICATION
Imphal the 7th August, 2017

**No.CE/PHE/1-1(NG)/2017/1671:** In pursuance of Government of Manipur, Secretariat (PHE) letter No. 3/8/2009-PHE(Pt) dated 11.7.2017, the Public Health Engineering Department had cancelled recruitment process for appointment of Office Assistant cum Computer Operator initiated vide this Office Notification No. CE/PHE/1-1(NG)/2016/2188 dated 08.12.2016. Accordingly, fresh applications are invited in the prescribed format from intending candidates for appointment to the following posts on temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchange offices in Manipur.

| Sl. No. | Name of post | Qualification | Pay Band (RoP 2010) | No. of post | UR | ST | OBC (M) |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Office Assistant cum Computer Operator | Graduate with completed course on Computer Concept (DOS+ Windows +MS Office+ Multimedia + Internet)-(CCC) of a recognized institute | PB- Rs.5200-20200 GP-Rs.1900 | 20 | 11 | 6 | 3 |

The following post are reserved for Differently Abled Person (DAP)

| Sl. No. | Name of post | Category(s) for which identified | *Functional Classification | *Physical Recruitment | No. of Reserved Vacancy |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Office Assistant cum Computer Operator | Hearing Impairment | D, PD | F, PP, L, KC, B, S,ST,W,SE,RW | 1 |

Note: i. Persons suffering from not less than 40% of the relevant disability shall alone be eligible for the benefit of reservation.
ii. The candidate should be in possession of disability certificate in the prescribed form issued by the competent authority in this regard.

2. **Method of recruitment:**

A **Office Assistant cum Computer Operator**

a) **Written Test:**
i) 15 marks (30 minutes) - General English.
ii) 15 marks (30 minutes) - General Knowledge.
iii) 15 marks (15 minutes) - Computer skill test (practical)

**Tentative Timeline for the recruitment:**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | Date of Notification | : | 07/08/2017 |
| 2. | Date of requisition from Employment Exchange | : | 16/08/2017 |
| 3. | Last date of requisition from Employment Exchange | : | 24/08/2017 |
| 4. | Date of issue of Form | : | 16/08/2017 |
| 5. | Last date of issue/submission of form | : | 29/08/2017 |
| 6. | Date of issue of Admit Card | : | 01/09/2017 to 07/09/2017 |
| 7. | Date of written Exam | : | 10/09/2017 (venue & time to be notified later) |
| 8. | Computer skill test | : | To be notified later |

3. Candidates who had earlier applied for appointment to the post of Office Assistant cum Computer Operator in PHE Department will be given an opportunity to appear in the new recruitment without sponsoring through Employment Exchange. All such candidates are required to submit an application to the Chief Engineer, PHED, Manipur requesting to issue admit card for the new recruitment based on the documents submitted earlier by proving their identity, along with two recent passport size photographs. No application fee will be charged from them.
4. Age limit: Above 18 years and upper age limit shall be 38 years or below **as on 07/08/2017,** the upper age limit is relaxable by 3 years for OBC, 5 years for ST/SC and 10 years for Differently Abled Persons (DAP). Candidates belonging to SC/ST/OBC who are DAP will be eligible for grant of cumulative age relaxation under both the categories.
5. The number of posts shown above may be increased or decreased according to the requirement.
6. The date and time of the Written Test Examination and computer skill test may be altered without assigning any reason.
7. Prescribed application form and details can be had either from the office of the Chief Engineer or can be downloaded from the website **www.phedmanipur.gov.in.**
8. Self attested certificates in support of qualification, domicile/residential, scheduled tribe/ Scheduled caste/OBC, age proof, etc. and 2 (two) nos. of recent passport size photographs should be accompanied along with the application. Candidates should bring their original certificates and will be returned immediately after spot verification.
9. Application Fee: Rs. 500/- for UR & OBC candidates and Rs. 300/- for SC/ST candidates.
10. Interested candidates may apply through respective Employment Exchange offices for sponsoring the above posts.

Sd/- H. Sunil Singh
Chief Engineer, PHED, Govt. of Manipur

HL-B/4066/9&10